ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ফেব্রুৱারী ০৯, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩০৭শুবা মশীং

# হায়ব্রেদা ভুট
## ফারগা মনম তৎনবা য়েয়ু

জিরিবামদগীনা তুপুল ফাওরগা ইম্ফাল য়ৌহল্লক্কনি হায়রিবা ব্রোদ গেজগী রেল লম্বীসি শেম্বা লোইশিল্লক্লবা মতমদবুদি মণিপুরগা অতোপ্পা মপানগী মফমশিংগা ফাওনবা অমসুং শম্নবগী পাম্বৈসি অহুম শুরক্লগনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদদি চীংনা ইকোই কোইশিনবা ষ্টেট ওইবদগী মণিপুরগা মপানগী লমশিংগা ফাওননবগী লৈরিবা পাম্বৈসি শুপ্নতগী অনীখক্তমক ওইরি। অমনা কংফালগী লম্বীশিং ওইরিবা নেসনল হায়ৱে-২ অমসুং নেসনল হায়ৱে-৩৭নি। অদুগা নেসনল হায়ৱে ২গী শরুক অমা ওইরম্বদগী এন ঐচ ১০২ হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা ইম্ফালদগী মোরে ফাওরগা চৎখিগদবা লম্বীসি এসিয়ন হায়ৱে ফাওবগী থাক্তসু শেমগৎলক্লি। কংফালগী হৌজিক লৈরিবা ফাউন-লম্বীসিদগী তোপ-তোপ্না লৈরিবা পাম্বৈনা নোংথক্কী লম্বীনি। মসিসু হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্নবা তুলিহল এয়রপোর্টপু মালেমগী থাক্তা লৈরবা এয়রপোর্ট অমা চপ চানা ওইহন্নবগী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। তৌসনু, কংফাল অমসুং নোংথক্কী লম্বীগীসু হেন্না ফবা ফিভমদা পুখৎলকপা ঙম্বা ওইরসনু। রেল লম্বীসু মপূং ফানা লোইশিনগনি হায়খিবা মতমদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন মখা তানা শাংদোরক্তুনা মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙম্বা ওইরসনু। অদুবু থল্লিবা পান দমশিংসি য়ৌফাৎত্রিঙৈদা হৌজিক লৈরিবা নোংথক অমসুং কংফালগী পাম্বৈ অনীসিগী মরক্তগী কংফালগী শরুকশিং ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিং ঙাইহাক লৈতনা মখল কয়াগী ভুটশিং থোরকপগী থৌদোক্তি হৌজিকসু অদুম্মক লেপ্তুনা থোক্লি। লম্বীশিংসিদা থোক্লিবা থৌদোকসি ঙসি ঙরাং খক্তগী নত্তে। লম্বীশিং অসিগী ওইবা খুদোংথীবা থৌদোকশিং -লম্বী অমসুং থোংশিংগী ফীভম ফৎতবদগী মায়োক্নহল্লকপা, গাড়ী অমগা অমগা থেংজিন্নবা, লোক্তা ওন্থবনচিংবা থৌদোকশিংগী মনুংদা মখল কয়াগী ভুটশিং থোরক্তুনা ক্রাইম কয়া চথদুনা লাকই। চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌরদুনা ইন্টর ষ্টেট পেসেঞ্জর বস য়াওনা অতোপ্পা গাড়ীশিং অমসুং লন্নাই গাড়ীশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিংদগী শেল অমসুং অতৈ অয়াওবা পোৎশিং শিৎ-নান্না কোগোক কোক্লা নমদুনা মুল্লগা লৌহৌবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। থৌদোকসিসু মখা তানা থোরক্লরোই হায়বগী পূক্নিং লূম্বা ফীভম অমদা লৈত্রিবনি। অদুগা মসিগী মথক্তা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা ত্রকশিংদা ঙাইহাক লৈতনা হরাসমেন্ট পীবগী থৌদোকশিংসু থোক্লিবনি।

হায়রিবা থৌদোকশিংসিগী মখা তারকপদা ফেব্রুৱারী ৪, ২০২৩গী অয়ূক পুং ৬.২০দগী জিরিবামগী উচারথোলদগী সিমেন্ট পীক থন্না হাপ্লগা ইম্ফাল তম্না চৎখিবা ত্রক অমা নেসনল হায়ৱে-৩৭ সিগী ঈরং থোংদগীনা নোনে (লোংমাই) কৈথেল ফাওবগী মরক্তা মফম খঙদনা মাঙবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। নেসনল হায়ৱে - ২ রোমদনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী বুংতে চিরু সব দিভিজনগী মনুং চন্না থাংবু ভিলেজদা রিলাইএন্স জিওগী টাৱর য়ুংবগী থবক তৌবা মপান্দগী শিন্মী অহুম ফেব্রুৱারী ৩, ২০২৩গী নুংথিলদা মশক খঙদবশিংনা কিদনেপ তৌরগা পুখিবগী থৌদোক থোকখি। থৌদোকসিগী মতাংদা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী নোংপোক কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মখোয়গী খোঙ্গুল লীবগী থবক চত্থখি। হায়বদি কংফালদগী মরু ওইবা শরুকশিং ওইরিবা হায়ৱে অনীসিগী পরিংদসু মখা তানা অদুম্মক ভুট থোক্লি হায়বনি। অদুগা থোরক্লিবা ভুটশিং অসিগী মখলসু খেন্নবনা মখোয়গী মশক অমসুং মপাঙ্গলসু মান্নদে। অহাওবা মথিবোং চানীং-থকনীংলকপদগী য়ারি হাক্কচরকপা, মতিল চুন্নকপা খরনা হুমাং মমলনা চান্নবা হোৎনরকপগী মহুত্তা থাঙ-তেন পায়দুনা চেল্লাক চেনফোইনবগী থবকশিং চত্থরকপা য়াওই। অদুগা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা কিহন-খংহল্লগা মুন্দুনা লাক্লগা লৌবা ভুটশিংসু থোরকই। লৈঙাক্নসু হোৎনদে হায়বা নত্তে। গ্লোবেল পোজিসন্নিং সিষ্টম (জি পি এস) কী খুদোংচাবা হাপ্লবা পুলিসকী পেট্রোল গাড়ীশিং ফাওবা শীজিন্নরক্লবনি। অদুবু ভুটশিংদি মখোয়না মথি ফোংনীংলকপা মতমদা হেক্তা থোরকই। থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লকই। মসিদি চুমদে। ফেব্রুৱারী ২, ২০২৩দা গভর্ণরনা এসেমব্লিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলক্লে হায়খিবদা ঙাইরিবনি। ভুট পূম্নমক লোইনা ফাগৎলগা মনম তৎনবা য়েয়ু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) ''**নাউহোং**'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ''**য়ুখল**'' হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) ''**মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান**'' কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) ''**চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্না পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।**'' শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) ''**হৈদি**'' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১১০
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মমাঙগী ইস্যুশিংদা মপান লমদা লীলা শান্নবা চৎলকপগী ৱারী ৱাখোঙ খরা মরীক চুম্না থমজরকপনি। অদুবু ভাইরেল চৎখিবা ভিদিও অমদগী মখা তানা ইনীংবা অমদি ফোঙদোক্লিংবা কয়াদি ফাওদ্রবনি। মরমদি ইরুরগা হেন্না খোইরাং খোইশাওনহনবা ওইনা থোক্লনি খল্লি, খোই মহুমদা চৈনা থিনবগুম্বা থৌওংদুমক্তি তাহঞ্জনীংদবনা ইনীংবা কয়া অমদি ইররোই হায়না লেপ্লে। কছারদা নুংশিরবা মরুপ মপাং অমদি থকসি-খাসি কায়নদনা য়াম্না তোরো খোদাননা লোয়নজবা ইচিন ইনাও ময়াম অমা লৈজে। কছার খক্কী ৱা নত্তনা হোজাইদা, ত্রিপুরাদা ফনা য়াম্না লৈ। ঐহাক্না চৎচবদা লুনা লুনা তৌবীবা, ৱারী ৱাতাই নীংথিনা শানদুনা মরী লৈনবা কয়াগী থৌরম কয়া পাংমিন্ননবা ৱাফমশিং তোয়না খন্নে। মতম খরগী মমাঙদা, ইশামক্কী য়ূমদা, ফিল্ম অমা তৌনবা ৱারী মচা অমগী লাইরিক ফাওবা পুরক্তুনা ঐঙোন্দা পীরখি। পঞ্জরিবা ৱারীসিগা শম্ননা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা মণিপুরী ফিল্মগী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মমিং লৈরবা এক্টর, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগীসু চ্যেরমেন ওইনা মতম শাংনা থৌ পুবিরম্বা ইয়াম্বা ললিৎনা লখিপুরদা ফিল্মগী ৱার্কশোপকুম্বা অমা পাঙথোক্লগা ফিল্মদু নম্নবগী ৱারী ফাওবা লৈখাই তানা শান্নখিবা লৈখি। আর্টিষ্ট ময়াম অদু ত্রেন তৌনবা ঐহাকপু মতম খরা লৈনবগী ৱাফম ফাওবা হায়নখি। থাজনবা অমদি নুংশিনবা অমগী মখাদা শোয়দনা তৌরসি হায়না য়ানখিবা লৈখি। অদুবু ৱাফম অদু থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিঙৈদা ইয়াম্বদু লৈখিদ্রে। মদুদগী তূমিন লৈনখি।

ইশামক্কী ওইনদি কছারদা লীলা শান্নবসি অনৌবা এক্সপরিএন্স য়াম্না লৈখি। শাগৈ সলাই পুনবা ইপা-চা, ইপন-ইতোন, ইচিন ইনাও, মরুপ মপাং কয়া অমগী অনৌবা তিন্নবগী নুংশিনবা, থাপ্না লৈনবগী নুংওনবা ৱারী কয়ানা পূক্নিংদা অনৌ অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পোকহনবা ঙমখি। অদুন্নদি ওইরগা মীপূম খুদিংমক্কী পুকচেল মান্নবা হায়বদুমদি লৈতবনিনা, অরোনবা থম্মোয়দা করি করি খল্লমগদগে হায়বা অদুমদি খঙবা ঙমখিদে। হরাও হরাও কৌনবা, নুংশিনা লোয়নখিবা, অরৈ লৈতগী ৱারী কয়া শান্নখিবা অদু ঙসিসু ময়েং অমত্তা তাদ্রি। লাইশ্রম খুনদগী ওজা চন্দ্রো কৌবা অমনা ঐখোয়বু য়াম্না পামজনা লীলা কৌবীরকখি। ঐখোয়সু মহাক্কী চমজরবা অমদি নুংশিবা মতৌ অদুদা থা অহুম মরিগী মমাঙদগী পাউ ফাওনরগা চৎখি। মখোয়গী য়ূমগী মনাক্তা লৈবা স্কুল অমদা ঐখোয় থুংখি। লাইবক থীবদি ঐখোয়না ঙসি থুংলবা মতুং হয়েং নোং ঙানবগা লীলা শান্নবা হৌখি। লীলাদু লোইরমদাইদগী নোং চুথবা হৌরকখি। লোইশিনবা ঙমদনা লীলাদু অদুম কাইরে। নোং চুববু কনানা তম্বা ঙম্বনো? নোংদুনা কন্না হেক মচুরবদুদা লীলা শান্নবা য়াখিদে। ঐখোয়সু তৌফম খঙখিদে। নুমিৎ নীনি চোম্থনা নোংদু অদুমক চুদুনা লৈখিবনা ঐখোয় করিসু তৌবা য়াদনা লৈবা তাখি। চাদবদি য়াদবনিনা, ওজা চন্দ্রো, মাগী ইমুং মনুং, মরুপ মপাংশিং অদুগা লোয়ননা কয়া ৱানা শীন্নখিবা। ঐখোয় মফম অদুমক্তদা লায় য়াওনা ইনশিন্দুনা চাউনা মায়থীখি। নীংবা কায়না ওজা চন্দ্রোগা কায়নরকখি। মদুগী অৱাবা অদু করম্না কাউরসিগে। ওজা চন্দ্রোদুবু নীংশিংলমখিগদ্রা? ওজাগী ইমাদুসু য়াম্না ৱাজখিবনি। অশোনবী ইমাদুনা চাকখুমদা চিরি চিরি থোংজবা কাংশোইদু তেঙ্কোৎ অমা লাল্লকখি, নোংলক্তুদা মদুগী মহাওদু ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদ্রি।

অতোপ্পা কুম অমদনা, কছারগী মফম অমনি, মফমদুমদি পঞ্জররোই। ঐখোয়বু লীলা অমত্তা নোংমতং ওইরসু চোম্থরগা শান্নবীরম্মু হায়দুনা য়াম্না কন্না হায়রবদগী, রোংপুরদগী ঐখোয় লাকখি। মফমদু য়ৌবদা কয়া নুংঙাইজখিবা। অশিন অরাংশিংনা কন্না হোৎনদুনা লীলা শান্ননবা কন্না থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। নুমিৎ তাশিনখ্রে। নুমিৎ তারক্তুনা মমশিল্লকপদগী ঐখোয় চাক কন্না থোংলি। লীলাদি পুং ৯গী অদুৱাইদা হৌগদবনি। কাউদ্রি, বরাক মপানগী ইঙ্খোলদা হৌবা অতেকপা কোবী ফুলদু শাক চাসি হায়দুনা কন্না থোংলি। খামেন অশিনবী অতেকপদু হেক্লগা শবজি অমগা তৌরিঙৈদুদা ঐখোয়না পুদুনা লাকখিবা বস অদুগী মনুংদা পানবা টেপ অদু লমদুগী মীওই অনীমুক্না কাখৎলক্লগা হুরানবগী থবক তৌখি। মদু খ্বাইগী মনিং সিটতা হিপ্লিবা গাড়ীগী হেন্দিমেননা উবদগী মীদুগা নম্নদুনা গাড়ী মনুংদা ফারে, অমদি চেনখ্রে। মদুগী পাউদু হেক লাকখি। ঐখোয় বসতুগী মনাক্তা লাক্লে। ফারিবা নুপাদু অফাওবা শাদুনা ৱাজাও য়াম্না ঙাঙদুনা লৈরম্মী। ঐনা সেক্রেটরি ওইবনিনা, ৱারীদু ঐগা শান্নে,

''নখোয়গী লমসিদা লাক্লগা করিগীনো নঙনা ঐখোয়গী পোৎ লোন্না লৌনবা তৌরম্লিবসি। নখোয়না ঐখোয়গী খুদোংথীবদা ঙাকথোকপীগদ্রা হায়রগা, ঐখোয়গী খুদোং চাদনবা করিগী থৌরাংলিবনো?''

''কনানা নখোয়গী পোৎ হুরাল্লি হায়রিবনো? মথোং মরম খঙদনা ঐবু হুরানবা তাহল্লিবা করিগীনো? নখোয় লেম্না অমত্তা থারোই'' হায়দুনা হেন্নদুম অশাউবা উৎলক্লি। মাগী ৱাদুদা হেন্দিমেনদু শাউরে, মানা ৱারী পূম্বা লোইনা তল্লে। বসকী টেপ অদু মানা স্ক্রু দ্রাইভর অমনা লৈথোক্তুনা লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈদা ফাবনি, মখোয় অনীনি অমদি চেনখ্রে হায়না তল্লে। মতমদুদা লৈকায়দুগী মী খরসু য়াওদুনা নুপাদুগা চপ্তুনা হংবদা অকোনবদদি মহাক লাল্লে হায়না হায়জরে। ঐদি কদাইদগীনো অফিং অমা লাক্তুনা খরা হেন্না শাওরে। অদুগা নঙনা ঙসাই হায়রিবশিংদুদি করিনো? নঙবু মীংচৎ থীনবা ঐখোয়না হায়জিনৱা? হায়দুনা খরা ঙাঙনবদা, নুপাদুনা ইহন হন্দনা লাল্লে হায়রদি য়ারে কৈনো গাইনা ওন্থোকপা খোন্দা অমা তৌরকপদগী ঐনা মাবু মমায়দা খূৎপাক্লা থাবা হৌখি। বসতগী চিংথরে, লৈকায়গী মী ময়াম অমনসু খাম্নরে। য়ূম অমগী শুমাংদা পুশিল্লে। অহল লমন খরসু য়াওরে। ৱায়েল্লে, নুপাদুদা লাল্লে হায়জৌ, খুরুম্মু হায়না কন্না হায়বদগী নুপাদুনা য়ানীংদা য়ানীংদা ময়াম মমাঙদুদা খুরুম্মী। ঐদি শাউমনখিদুনা খুরুমিঙৈদুদা অমুকসু ফুজিনখি। অদুদদি লৈকায়গী অহল লমনশিং অদুসু য়াওনা ঐঙোন্দা শাওরে। মীনা লাল্লে হায়জরবদি অমুক ফুবিরিবদু করিগীনো হায়না অকনবা মরৈ অমা তৌনখি। ঐদি শাওনীংমনখিদুনা তৌবনি। কোন্নবুদি ঐসু খরা হেন্না ফীংমনখ্রে হায়না ইশানা খঞ্জখি। নুমিৎতু লীলাদু শান্নরে। নুপাদুগী শাগৈ, নাতৈ, মরুপ মপাংশিং খরনা ঐবু মুনা-মুনা য়েংবদৌনা ঐনা খনখি। অরোইবা সিন থোরকপদা . থাঙ অমা য়েপ্পগা থোকখি। করিগুম্বা এটেক তৌরক্লবদি ইশা ঙাকথোকচনবা হায়দুনা। কৈসুদি তৌনখিদ্রে। নুমিৎতুগী লীলাদু ঐ মেন মান অমত্তা তাখিদ্রে। পূক্নিংসি লৈতানা লীলা শান্নবা ঙমখিদে। ঐখোয়গী পার্টিসু থোক্লিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা য়াম্না থুনা মফম অদু থাদোক্লবা হোৎনখি। পোৎচৈ থুনা লোইশিল্লগা গাড়ীদা লোইনা হাপচিল্লে। অদুগা থোংখিবা চাক অদুফাওবা চাদনা ঐখোয় খুদক্তা লখিপুর তান্না লাকখি। লখিপুরগী লম্বীদা গাড়ী মনুংদা ঐখোয় নোং ঙানবা ঙাইখি। নোং ঙাল্লগা ঐখোয় ইম্ফাল তম্না থোরক্লবগী লম্বীদা হল্লকপা হৌখি।

কুম অদুগী মমাঙ মমাঙ চহীশিংদা চৎখিবা খোঙচৎশিং অদু য়াম্না শাথীনা নুংঙাইখি। য়ূমথোঙ কয়াদা চঙদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখি। মীগী ইমুংদা অয়ূক চা থকসি হায়দুনা কৌ কৌদুনা চৎখিবা, চাগা চেম্পাক্কা চাখিবা কয়া অদু করম্না কাউগনি। নুংঙাই নুংঙাইবা ৱারী কয়া শান্নদুনা অনৌবা নুংশিনবা মরুপ মপাং কয়া শেমগৎখিবদু, অকোনবগী থৌদোক অদুনা তলহনখি। মতুং ঐখোয়বু নুংশিদুনা কৌরবদা ঐনা কয়া খোইজংখিদে। চৎসু চৎখিদ্রে হায়না খল্লি। হায়রিবসি য়াম্না কুইরবা মতমগী ৱানি। ইনৌ নৌবা ৱারী অমদি নত্তে। চহী ৩০ মুক্কী মমাঙগী ৱারীনি। কছারদা লীলা শান্নবা অরাইবা নত্তে। ওদিএন্সশিংগী অপাম্বসু মণিপুরগা মান্নদে। মণিপুরদা ওইরিবা ইস্যু কয়া মফম অদুদা লৈতবনা মদুগী নুংঙাইবা মহাও পীবা ঙম্বা ৱাৎলি খল্লি। অদুবু সোসল প্লে ওইরবসু ফেমিলিগী ওইবা অমদি রোমান্তিক প্লেশিংদি ওন্থোক্লা পাম্না য়েংবীখি। ঐখোয়গী মমিং চৎলবা লীলা খরদি কছারদা উৎখি হায়না ঐনা খল্লি। অদুবু ফজরবা লীলা কয়া অমদি ঐখোয় উৎখিবা ঙমখিদে। মমিং চৎখ্রবা কৈশামথোং থোইবী হায়বা প্লে অদু কছারদা শান্নবীনবা য়াম্না কন্না হায়নরকখি। অদুবু ঐখোয় মতম ফংখিদদুনা শানদি শান্নখিদ্রে। লীলা অদুমদি ময়ামদা উৎপা ঙমখিদে। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ৫

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

তম্বা ঙমদবা পুন্সিগী ঈচেলদা তাওথরিবা পুন্সিগী হিনাওনা করম্বা মায়কৈদা তাওথরুগনি নৎত্রগা থুংলুগনি হায়বা ঙমদবা খোঙচৎসিদা খঙহৌদনা হুমজিল্লকপা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা ঈচেল চুম্না তাওথজরম্বা ঐহাক্কী পুন্সিগী হিনাওবু হুমদোকখিদুনা কেন্সর কৌবা ঈরৈনুংদা ইরাক্লখি ঐহাক্কী পুন্সিবু। অদুম ওইনমক পুন্সিগী পন্থুং য়ৌদ্রি, ইচাশিং শেম্বা লোইদ্রি হায়দুনা কন্না হোৎনখি কেন্সর কৌবা ঈরৈনুংদগী নান্থোক্লবা। মতাংবু চারবা, ৱাখলনবু লেপ্লবা, হোৎনবা অমদি থিববু লেপত্রবদি হিংনবগী অমদি মায় পাক্লবগী লম্বীদি অদুমক থোরক্তবা নত্তে। খ্বাইদগী লুরিবদি ঐখোয়গী ৱাখল অমদি পূক্নিং অদুনি। ৱাখলনা, পূক্নিংনবু হিংনীংদ্রবা, য়ৌনীংদ্রবা, ফনা চাওবা মঙলানসু ওইসনু, পন্থুংসু ওইসনু, ফনা ফবা লায়েংসু ওইসনু পুন্সিগী হিনাও মথন্তা অদুম লুপখিগনি, পন্থুং য়ৌবা ঙল্লোইদো।



কেন্সরগী ইরৈনুংদা ইরাক্লরুবগী অমদি মতৌ করম্না ঈরৈনুং অদুদগী নান্থোরক্তুনা ঐহাক্কী পুন্সিগী হিনাওনা খোঙচৎ মখা তানা চেন্থরকখি হায়বগী ৱারী মরক থৎনা ইরমদমগী শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না মতেং ওইগদৌরিবা হীরম অমগী মতাংদা ঙাইহাক লম্বী কোইথোকচগে। তৌববুদি মসিসু পুন্সিগী ঈচেলসিদা থেংনরকপা তাঙ্কক অমনি হায়না লৌবীবা য়াই।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬কী নুমিদাং পুং ৭.১০ তাবদা ইংলিস মরোলদা শন্দোকপা ইরমদমগী ইলিট টি ভিগী ওপন দিবেট দিস্কসন থৌরমদা কৌবীরক্তুনা থৌরম অদুবু য়াওবীবা শংগদ্রা হংলকপদা শংগনি হায়দুনা য়াওজে। থৌরম অদুদা এদভোকেট জুনিয়র লুৱাং অমদি সোসল এন্দ পোলিটিকেল কমেন্টেটর সী ঐচ বিজয়সু য়াওই। থৌরমদুগী মরু ওইবা টোপিক্লা ''দি ইম্পেক্ট ওফ টেররিজম ইন টুরিজম ইন্দষ্ট্রি' হায়বনি। মরু ওইনা কনাগুম্বা কাঙলূপ খরনা নোংমৈ অমদি বোম্নচিংবা শীজিন্নদুনা কনাগুম্বা নৎত্রগা করিগুম্বা থৌওং নৎত্রগা থৌরম অমদা য়াদে হায়বগী মরমদা অথিংবা অমদি থুগাই য়ৈখাইবনচিংবা উৎপা অদুবু টেররিজমনি হায়না লৌবা য়াই। মসিমক্লনি য়ু এস এদা ৯/১১দা থোকখিবা, টুনিসিয়াদা, মুম্বাইদা, শ্রী লঙ্কাদা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা থোকখিবা, থোক্লিবা।

হৌখিবা ফেব্রুৱারগী নোংমাইজিং নুমিত্তা বোল্লিৱুদকী এক্টর সনি লিওনে লাক্তুনা ফেসন অমগী শোসটোপ্পর অমা ওইদুনা পাঙথোকপগী মতাংদা নহারোল কাঙলূপ খরনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা হেন্দ গ্রেনেদ পোকখায়হনবগী মতাংগা শম্ননা ইলিট টি ভিনা অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী টুরিজমদা করি অকায়বা লাকপা য়াই হায়বগী মতাংদা তান্নবগী থৌরম অমদা শরুক য়াজবনি।

থৌরম অদুদা 'টেররিজম' হায়রিবা ৱাহৈসিদা য়াম্না মরু ওইনা মীৎয়েং পীদুনসু ওপন দিবেট অদু পাঙথোকখি। অদুম ওইনমক য়াওবীরিবা মীওই খুদিংমক্নদি ইরমদম মণিপুরদা থোক্লিবা অসিগুম্বা বোম পোকখায়বনচিংবগী থৌওংশিং অসি মপানদা থোক্লিবা থৌওংশিং অসিগা চাংদম্নরুবদি য়াম্না পীকপা থৌওং অমা ওইবনা অসিগুম্বা হিংশাগী ওইবা থৌওং অসিনা ইরমদমগী টুরিজমগী হিংশাগী ওইবা থৌওং অসিনা ইরমদমগী টুরিজমগী ফীভমদা, হায়বদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা কোয়বা লাক্লিংবা মীওইশিংদা (টুরিষ্ট) অদুক হাক্না লাক্লিংদনবগী মরম অমদি ওইরোই হায়না য়ান্নখি। মরম অসিনা মমৈথংদদি লমদমসিগী টুরিজম চাওখৎনবা করি করি খোঙথাং লৌখৎপা য়াই অমদি তৌবা য়াই হায়বরোমদা ৱাখল্লোল থম্নখি।

মালেমগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা মাঙজিল থানা চৎলিবা, মালেমগী ওইনা লম কোয়বশিংনা লাকপদা ইশাদা করি করম্বা ফত্তবা থোক্কনি হায়বগী (পর্সনেল সিক্যুরিটি এন্দ সেফটি) অকিবা লৈতবনা মকোক মথং ওইদুনতা চৎলিবা টাইৱান হায়রিবা লমদম অসিদা লমদম অসিগী সিটিজন অমা ওইনা চহী ২৫ হেন্না লৈরকপা অমদি য়ু এস এ, ফ্রান্স, স্বিটজরলেন্দ, হঙ্গেরি, অষ্ট্রিয়া, সোলভাকিয়া, রুসিয়া, চেক রিপব্লিক, ওষ্ট্রেলিয়া, হোং কোং, মকাও, চাইনা, জপান, সাউথ কোরিয়া, সাউদি অরাবিয়া, কটার, কাজখষ্টান, উজবেকিষ্টাননচিংবা লৈবাক কয়াদা চৎলুবদা থেংনরকপা মহৌশাগী অমদি খুৎশেমগী ওইবা পোৎলমশিং অমদি নীংথিজবশিং উরুরবা মতুংদা ইরমদম টুরিজম চাওখৎনবা করি করম্বা খোঙথাং লৌখৎপা য়াই হায়বগী মতাংদা ঐহাক্না উজরুবা, খঙজরুবা ৱাফম খরদং থমজগে।

তশেংনা ঐহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোল থমজৌ হায়রবদি বোম লংশিনবা, নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং অসিদি য়াম্না পীকপা থৌওং অমনি হায়না লৌজে, হায়বদি অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা লমদম অসিদা লাকনীংবা টুরিষ্টশিংদা থোইদোক্লা নীংহন্নবা পোকহল্লোই হায়বসিনি। মসি হায় হায়দুনা অসিগুম্বা হিংশাগী থবকপু শৌগৎপনি হায়নদি লৌবীগনু। ইরমদমগী শেন্মীৎলোন অমদি লল্লোল-ইতিক য়েংবদা ঐখোয়গীদা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি লৈতবা অমদি অচৌবা কম্পেনিশিং লৈতবনা (মল্টি কম্পেনি অমদি কোর্পোরেটস) মীয়াম্না থবক ইনখাং তৌদুনা শেন্দানফম লম্বী লৈতবনা শেল থুমগী ফীভম অমদি শেন্দালফমদা মীৎয়েং থমদুনা টুরিজম নীংথিনা শেমগৎপা য়াম্না মরু ওই, মথৌ তাই হায়না খল্লি।

পীকচরবসু টেক্নোলোজিগী লম্দা খুমাং য়াম্না চাওশিল্লবা, মখল কয়াগী চিপ শাদুনা, ইলেক্ট্রোনিক অমদি টেক্নোলোজিগী ওইবা পোখোক কয়া, লোয়ননা হৈ-রা, এঙ্গাং নাপি অমদি শা ঙানচিংবা পোথোক কয়া লৈবাক কয়াদা থাদোক্তুনা অচৌবা শেনফম তাল্লিবা টাইৱান ফাওবা টুরিজমগী লম্সিদা লৈঙাক্লা অচৌবা মীৎয়েং থমদুনা অচৌবা শেনফম থাদদুনা টুরিজমগী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎতুনা টাইৱাননা অচৌবা শেনফম তানবা ঙল্লি। অদুবু ঐখোয়গীদি কদাই- অচৌবা ইন্দষ্ট্রি লৈদুনা পোথোক অমত্তা থাদোকপসু লৈতে অদুগা টুরিজমসু শেমগৎতে। ঐখোয়গীদি শেল থুমগী মতাংসিদি মপাল লমদা থাদোকখিবা ঙাক্তনি।

লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা য়াম্না মতেং ওইবা য়ারিবা হীরম অমা হায়রগদি টুরিজম শেমগৎপা অসিনি। ঐখোয়গী ইরমদমদা শেমগৎপা য়ারিবা মরু ওইবা টুরিজম খরা পনবা তারবদি অহানবদা স্পোর্টস টুরিজম ওইফম থোকই। ইন্দিয়া পূম্বদা স্পোর্টসকী পাৱর হাওসনি হায়না মশক খঙবিরিবা লমদম অসিদা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা থৌরম কয়া সেন্টরদগী লৌথদুনা অমদি সেন্টরদগী শেলগী ওইবা মতেং লৌদুনা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোকপা য়াই। খুদম ওইনা পল্লবদা, নেসনল নৎত্রগা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ফুটবোল কম্পিটিসন অমা পাঙথোকপদা অচৌবা শেল খোমগৎপা য়াই। মরু ওইনা মালেমগী ওইবা থাক্তা পাঙথোকপা ঙল্লবদি মণিপুর ষ্টেটকী ৱাংমদগী ইন্দিয়নশিং লাকপা খক নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক কয়াদগী লাকপা য়াই। অসিগুম্বা থৌরম অসিনা অচৌবা শেনফম তালহৌবতা নত্তনা মালেমদা ঐখোয় ইরমদম্মু শক হেন্না তাক্কদৌরিবনি। শগোল কাংজৈ পাঙথোকপদসু অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয় অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিং লাক্লিবা অদুনি।

নৎত্রগা, নেসনল গেমস অমা পাঙথোকপদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদগী মীশিং য়াম্লবা শান্নরোয়শিং লাক্লি। শান্নরোয়শিং অসিগী মথক্তা, মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংসু লাক্লিবনি। স্পোর্টস এন্দ গেমস পাঙথোকপদা লাক্লিবা মীশিং অসিদগী করম্বা থৌরম্না অসুক য়াম্বা মীওইশিং পুরকপা ঙম্বগে, ঙমদে। লৈবাক অমনা ওলিম্পিক গেমস, ৱর্ল্ড সোক্কর অমদি ৱর্ল্ড লেভেলদা পাঙথোকপা কম্পিটিসন অমদা হেক্তা য়েংবীয়ু য়ামখ্রে লাক্লিবা শান্নরোয়শিং। শান্নরোয়শিং অসিগা লাকমিন্নবা মখোয়গী ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংগী মথক্তা চাংদম্নবা অদুবু য়েংনীংবা অতোপ্পা মীওই কয়া অমসু লৈরি। হায়রিবা মীশিং য়াম্লবা মীওইশিং অসি কম্পিটিসন লোইরগা য়ূমদা হেক্তা হনখিবা নত্তে। লমদম অদুদা লৈরিবা নিংথিজবা মফমশিং, নাৎ, চৎনবী, য়ূমলৈ কৈরৈসু য়েংনীংবনা নুমিৎ খরনি কোইথোকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। ঐখোয়সু মালেমগী লৈবাক কয়াদা শান্নবগী চৎলুবদো অদুম কোইথোরক্লিবনি। ইরমদম্না স্পোর্টসকী পৱার হাওস অমা ওইবনা স্পোর্টস টুরিজমসি য়াম্না কান্নগনি। ●